ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ০৫, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩৩শুবা মশীং

মনা ঙাংশঙ ঙাংবা য়াওইকো

মীয়াম্নদি হোৎরোং-হোনা উবনি

ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৪দগী হৌরকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৫শুবা মীফমসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না ফমদবা য়াদবদগী ফম্লক্লিবনি। মসিগী মমাঙ কুমজা ২০২৩গী ওইনা অরোইবা ফমখিবা মীফম ওগষ্ট, ২০২৩দনি কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না ষ্টেট এসেমব্লি অমগী মীফমসি থা ৬ মপূং ফানা কান্নবা য়াদে মসিগী মথক্তা হন্দক্কী মীফমসিদি শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী শরুক লোইশিল্লকপনা মসিগী মথংগী শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী ষ্টেটকী বডজেট ইষ্টিমেটশিং পুথোকহৌদবা য়াদবনি। মমাঙগী শেনবা চহীদা লৈখিবা সপ্লিমেন্টরি বডজেটসু থংনবা অনৌবা চহীগী বডজেট পুথোকপগা লোয়ননা খন্নদুনা হাউসনা পাস তৌরগা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকহৌগদৌরিবনি। মীফম হৌদোকপা নুমিৎতা গভর্ণরনা এদ্রেস পীবা হায়বদুনা চহী অমগী অহানবা ওইবগী পীজবগী ৱানি। অদুবু ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৪দগী হৌরকখ্রিবা সেসনসিগী মনুংদা ওপোজিসন বেঞ্চকী মেম্বরশিংনা কুকি এম এল এ ১০ নৎত্রগা লান মনুংদা শিখিবা ফূরুপসিগী পুলিস পর্সনেলশিং অমসুং শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা শেমখিবা 'পিছ কম্মিটি' নচিংবগী মতাংদা হেক পল্লকপদা মনা ঙাংশঙ ঙাংবমখৈ মৈ হৌনা শাওরিবা করিগীনো? মে ৩, ২০২৩দগী লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা লানসিগী নাকল অমা ওইরিবা কুকি ফূরুপ্না কোনশিনবা চীংগী অপীকপা কাঙলূপশিংসি এসেমব্লিদা রুল্লিং বেঞ্চতা ফম্লিবশিংগী পনবা য়াদবা, অশাওবিরা? মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হায়বসিদি ষ্টেটসিগীদি চৎনরিবা লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্না দেমোক্রেসিগী খ্বাইদগী চাউবা লাইশঙনি। মীয়ামগী মীহুৎ লো মেকরশিংনা লৈবাক্কী ওইবা মরু ওইবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরগা ৱারেপ লৌগদবনি। মথৌ তারে খনবা এক্টশিং ফাওবা বিল ওইনা পুথোরক্লগা খন্নরগা পাস তৌদুনা গভর্ণরগী অয়াবা লৌরগা এক্ট ওন্দুনা চৎনহনগদৌরিবনি। থবকসি এসেমব্লিগী মচৎনি। হেক হৌরকপদগী চৎনদুনা লাক্লবনি।

মসি ওইরগদি মীফমসিদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা লানসিগী মরম, হৌরকফম, চেন্নবা মীওইশিং, থোকহনখিবা অমাঙ-অতা, মীশি-মীনা অমসুং লানসিবু লেপহন্দুনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী পান্বেশিং পুথোকপা য়াওনা মরী লৈনবা পূম্নমক অমমমতা ওইনা পুথোক্তুনা মচা খায়না কূপ্না খন্নহৌফম থোক্তব্রা? মসিগী মহুত্তা লান শোক্নরক্লিবা নাকল অনীগী মনুংদা অমগী মতাংদা পল্লুবদা ৱং শাওগৎখিদুনা 'তানীংদে' গা হায়বা অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাহৈশিং শীজিন্নরগা কোন্না ফজদ্রে হায়দুনা হাউসকী প্রোসিদিংদগীকা লৌথোকপগী থৌদোকসিবু দেমোক্রেসিগী লাইশঙ ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। মীতৈ ওইগেরা, কুকি ওইগেরা নৎত্রগা অতোপ্পা ফূরুপশিং ওইগেরা ওইনীংবা ওইজসনু। মীশি-মীনা পীক থন্না থোকহল্লিবা লানসিদা চেন্নবা পূম্নমক্কী মতাংদা মীফমসিগী মনুংদা পুথোক্লগা শিৎ-নান্না খন্নহৌগদবনি। খন্নবগী থবকসি অপান্ননা অকক্লবা ফূরুপ অমগী মায়োক্তা নত্তে। তমথীরবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী পান্বে চোংথোরক্লবগী লম্বীনি। এসেমব্লি হায়বসিদি দিবেট/দিস্কসন তৌনগদবনি, ওবজার্ভেসন পীনগদবনি। নৈর-নৈরগা ঙামু থোরকই হায়বা মীতৈগী ৱাফম লৈরিবনি। মরাল লৈবনা কনানো? লৈতবনা কনানো হায়বদু খঙদোকপদা মাঙজবগী মহুত্তা কান্নবনা কোকথোং ওইরক্কদৌরিবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাকসু কন্সটিট্যুসননা পীবা পৱারগী মতুংইন্না মখোয়গী তৌফম থোকপশিং তৌজসনু। ষ্টেট এসেমব্লিদি মতম চূপ্পদা মণিপুরগী মীয়ামগা মরী লৈনবা 'পোজিটিভ' ওইবা লম্বীদা খোঙ থাংবনা চুমগনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মীফম ফন্নে লাইগী শোয়দনবা মমিংতগী ওইনা ফম্বা, ৱা ঙাঙবা-শকপদনা মখোঙ পুনশিল্লবা য়েননা চৎপগী অকক্লবা লমখৈ লৈবদৌনা তৌবা, লান হৌরকখিবা কুকিশিং পল্লক্লগনা মমায় ঈচপমুক ঙাংবগী লিন্দাদুনদি মণিপুর প্রপ-প্রপ ঈংগনি থাজদ্রি। মীয়াম্না হোৎরোং-হোনা উবনিকো!!

ꯃꯅꯥ ꯉꯥꯡꯁꯉ ꯉꯥꯡꯕ ꯌꯥꯎꯏꯀꯣ

ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯤ ꯍꯣꯠꯔꯣꯡ-ꯍꯣꯅꯥ ꯎꯕꯅꯤ

ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯴ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕ ꯱꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯁꯅꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯐꯝꯗꯕ ꯌꯥꯗꯕꯗꯒꯤ ꯐꯝꯂꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡ ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯐꯝꯈꯤꯕ ꯃꯤꯐꯝ ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯅꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯁꯅꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤ ꯊꯥ ꯶ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅ ꯀꯥꯟꯅꯕ ꯌꯥꯗꯦ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤꯗꯤ ꯁꯦꯟꯕ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯂꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯅ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯪꯒꯤ ꯁꯦꯟꯕ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯴-꯲꯵ꯒꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯀꯤ ꯕꯖꯦꯠ ꯏꯁ꯭ꯇꯤꯃꯦꯠꯁꯤꯡ ꯄꯨꯊꯣꯛꯍꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯁꯦꯟꯕ ꯆꯍꯤꯗ ꯂꯩꯈꯤꯕ ꯁꯞꯂꯤꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯕꯖꯦꯠꯁꯨ ꯊꯡꯅꯕ ꯑꯅꯧꯕ ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯕꯖꯦꯠ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄꯒ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯈꯟꯅꯗꯨꯅ ꯍꯥꯎꯁꯅ ꯄꯥꯁ ꯇꯧꯔꯒ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯀꯍꯧꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯐꯝ ꯍꯧꯗꯣꯛꯄ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇ ꯒꯚꯔꯅꯔꯅ ꯑꯦꯗ꯭ꯔꯦꯁ ꯄꯤꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯤꯖꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯴ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯁꯦꯁꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯕꯦꯟꯆꯀꯤ ꯃꯦꯝꯕꯔꯁꯤꯡꯅ ꯀꯨꯀꯤ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱꯰ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯁꯤꯈꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯤ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯄꯔꯁꯣꯅꯦꯂꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯨꯒꯨꯅꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯑꯦꯟꯁꯤꯗ ꯁꯦꯃꯈꯤꯕ 'ꯄꯤꯁ ꯀꯝꯃꯤꯇꯤ' ꯅꯆꯤꯡꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯍꯦꯛ ꯄꯜꯂꯀꯄꯗ ꯃꯅꯥ ꯉꯥꯡꯁꯉ ꯉꯥꯡꯕꯃꯈꯩ ꯃꯩ ꯍꯧꯅ ꯁꯥꯎꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯅ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯕ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯑꯄꯤꯀꯄ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞꯁꯤꯡꯁꯤ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯗ ꯔꯨꯂꯤꯡ ꯕꯦꯟꯆꯇ ꯐꯝꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯄꯅꯕ ꯌꯥꯗꯕ, ꯑꯁꯥꯎꯕꯤꯔꯥ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯒꯤꯗꯤ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯆꯥꯎꯕ ꯂꯥꯏꯁꯉꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯂꯣ ꯃꯦꯀꯔꯁꯤꯡꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯇꯔꯦꯠ-ꯇꯔꯥ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯈꯟꯅꯔꯒ ꯋꯥꯔꯦꯞ ꯂꯧꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ ꯈꯅꯕ ꯑꯦꯛꯇꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯕꯤꯜ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯒ ꯈꯟꯅꯔꯒ ꯄꯥꯁ ꯇꯧꯗꯨꯅ ꯒꯚꯔꯅꯔꯒꯤ ꯑꯌꯥꯕ ꯂꯧꯔꯒ ꯑꯦꯛꯇ ꯑꯣꯟꯗꯨꯅ ꯆꯠꯅꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯃꯆꯠꯅꯤ꯫ ꯍꯦꯛ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯆꯠꯅꯗꯨꯅ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ꯫

ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤꯗ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝ, ꯍꯧꯔꯀꯐꯝ, ꯆꯦꯟꯅꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ, ꯊꯣꯛꯍꯟꯈꯤꯕ ꯑꯃꯥꯡ-ꯑꯇꯥ, ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯥꯟꯁꯤꯕꯨ ꯂꯦꯞꯍꯟꯗꯨꯅ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯒꯤ ꯄꯥꯟꯕꯦꯁꯤꯡ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯃꯃꯃꯇ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯃꯆꯥ ꯈꯥꯌꯅ ꯀꯨꯞꯅ ꯈꯟꯅꯍꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯄꯜꯂꯨꯕꯗ ꯋꯥꯡ ꯁꯥꯎꯒꯠꯈꯤꯗꯨꯅ 'ꯇꯥꯅꯤꯡꯗꯦ' ꯒꯥ ꯍꯥꯌꯕ ꯑꯟ-ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯒ ꯀꯣꯟꯅ ꯐꯖꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯍꯥꯎꯁꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯁꯤꯗꯤꯡꯗꯒꯤꯀꯥ ꯂꯧꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯕꯨ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯥꯏꯁꯉ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯃꯤꯐꯃꯗ ꯊꯣꯛꯍꯟꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯊꯧꯗꯣꯛꯂꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ, ꯀꯨꯀꯤ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ ꯑꯣꯏꯅꯤꯡꯕ ꯑꯣꯏꯖꯁꯅꯨ꯫ ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅꯥ ꯄꯤꯛ ꯊꯟꯅ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗ ꯆꯦꯟꯅꯕ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯒ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅ ꯈꯟꯅꯍꯧꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯈꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯑꯄꯥꯟꯅꯅ ꯑꯀꯛꯂꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯒꯤ ꯄꯥꯟꯕꯦ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯛꯂꯕꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯅꯤ꯫ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯗꯤꯕꯦꯠ/ꯗꯤꯁ꯭ꯀꯁꯟ ꯇꯧꯅꯒꯗꯕꯅꯤ, ꯑꯣꯕꯖꯥꯔꯚꯦꯁꯟ ꯄꯤꯅꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯩꯔ-ꯅꯩꯔꯒ ꯉꯥꯃꯨ ꯊꯣꯔꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩꯕꯅ ꯀꯅꯥꯅꯣ? ꯂꯩꯇꯕꯅ ꯀꯅꯥꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯈꯉꯗꯣꯛꯄꯗ ꯃꯥꯡꯖꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇ ꯀꯥꯟꯅꯕꯅ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯑꯣꯏꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯨ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯁꯅꯅ ꯄꯤꯕ ꯄꯋꯥꯔꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯁꯤꯡ ꯇꯧꯖꯁꯅꯨ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯗꯤ ꯃꯇꯝ ꯆꯨꯞꯄꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ 'ꯄꯣꯖꯤꯇꯤꯕ' ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯈꯣꯡ ꯊꯥꯡꯕꯅ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯟꯅ-ꯇꯩꯅꯕꯗ ꯃꯤꯐꯝ ꯐꯟꯅꯦ ꯂꯥꯏꯒꯤ ꯁꯣꯌꯗꯅꯕ ꯃꯃꯤꯡꯇꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯐꯝꯕ, ꯋꯥ ꯉꯥꯡꯕ-ꯁꯀꯄꯗꯅ ꯃꯈꯣꯡ ꯄꯨꯅꯁꯤꯜꯂꯕ ꯌꯦꯟꯅ ꯆꯠꯄꯒꯤ ꯑꯀꯛꯂꯕ ꯂꯝꯈꯩ ꯂꯩꯕꯗꯧꯅ ꯇꯧꯕ, ꯂꯥꯟ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕ ꯀꯨꯀꯤꯁꯤꯡ ꯄꯜꯂꯛꯂꯒꯅ ꯃꯃꯥꯌ ꯏꯆꯄꯃꯨꯛ ꯉꯥꯡꯕꯒꯤ ꯂꯤꯟꯗꯥꯗꯨꯟꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄ꯭ꯔꯞ-ꯄ꯭ꯔꯞ ꯏꯡꯒꯅꯤ ꯊꯥꯖꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯍꯣꯠꯔꯣꯡ-ꯍꯣꯅꯥ ꯎꯕꯅꯤꯀꯣ!!

মালেমদা খ্বাইদগী শেল পায়বা মী!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৮০৫

জিতেন নামৈরাকপম

মতম অদু হৌজিকসু কাউবা ঙমদে, নীংশিংলি। অঙাং, হাফপেন্ট, কোচি তৎলগা ফোত্তবীদা খূৎ অনীনা চিংশিল্লগা খোইদৌদা কীৎ নমশিনবা মতমদুনি। ইমান্নবা অমগা থাংজরা/নোংমাইজিংলা দ্রামা তৌবা রুপ মহল থিএটর নৎত্রগা ইম্ফাল টোকিজ তন্না সিনেমা য়েংবা চৎলি। ফিল্মদুগী মমিংনা কাউদ্রি ব্রুস লীগী ইন্টর দ দ্রেগোন অদুদসু নত্তে ওমর মুকটার, 'দ মাইটি হিমালয়ন মেন', 'দ জাংগো' (ফ্রেঙ্কোনেরোগী) 'দ গুদ দ বেদ এন্দ দ অগ্লি' (কাওবোই ফিল্ম) ... নীংশিংববু ঙল্লক্ত্রে, য়ামখ্রবা মখলগী ফিল্মশিংনি। অদুই ৱাদি কৈনো বোলিরুদকী শক্লাইরবা এক্টর-এক্ট্রেসকী পাউনা বজারগী হোল খক্তদা শোলে ফিল্ম ১২ রক য়েংখিবা নুপানি। ফিল্ম অনৌবা শিনবা নুমিৎ থাংজগী লাষ্ট শো য়ারিবমখৈ চিথদনা য়েংনবা হোৎনখি। য়ূমদা খোঙনা হল্লকপদা কিলোমিটর ৪/৫ লাপ্পা ঐগী য়ূম য়ৌরকপা মতমদা নুমিদাংগী পুং ১১ নৎত্রগা ১১.৩০ দি হেক্তা মতারে। তৌবতবু ঙসিদগী থারগা চহী ১৫/১৬কী মমাঙদা অরুনাচলগী বাসার টাউন্দা চৎচরুবা মতমগী অহিংগী (পুং বারোগা হায়নৈ হায়জররোই) পুং ১২.১৮ তাবা মতমদুদা সিনেমা হোলদুদগী মুকথ্রুবী পাইথোকপগুম পাইথোক্লরকখি। মতম অদুদা ঐসু পাউনা বজারগী শোলে ফিল্ম অদুগী দাইলোগ মতেক খরা খঙনীং নীংশিংদুনা বস মনুংগী থোঙনাওদগী লাউরমখি।

মতম অদু অসুম অসুম খঞ্জিল্লুরগা অদুক্কী মতিক নুংশিরকই। অদুগা অমুকসু পৈশা হায়গদ্রা নৎত্রগা শেল হায়গদ্রা মতম অদুগী পৈশাগী ভেল্যু অদুক্কী মতিক য়াম্না লৈখি। ঐগা ইমান্নবগা ফিল্ম/সিনেমা য়েংবা চৎপদু শুপ্নতগী ঙাংশং ঙাংবা লুপা অনী চৎপী অমা পুরগা চৎখি। সিনেমা টিকেৎসু ককখি, সাইকল সেদতা সাইকলসু থমখি (শিকি/পৈশা কুন্থ্রা) অদুগা অবোক্লা য়োনবা মঙ্গল অঙৌবা চেনা লারৈগুম্না কোনবা মকোল অনীদু ঐখোয় অনীনা চাবা মতমদা পুক অসি হুইত্রি মুক কংখৎলকখি। মসিনা ঐনা-ইশামক্লা থেংনজরকখিবা মথায়-থায়না মমাঙঙৈগী ৱারীনি। অমুকসু মখা চত্থরক্লি-থেংনজরুবা পৈশা হায়গদ্রা নয়া পৈশা ৫/১০/২০/শিকি/মখায় তোকথোকখ্রগা আনা, পায়-পৈশা মতেক মচা মচা ময়ামদুগী ভেল্যুদি থোইনা খঙহৌদ্রে, ঙাকপীগনি। মতাং অসি য়ৌরকপদা ৱাখল মচেৎ অমা'মুক লাক্লে। মদুদি ইন্দিয়াগী অনীশুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লাল বহাদুর শাস্ত্রিজিগী মতাংদনি। - নোংমা শাস্ত্রিজিনা গঙ্গা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা (নদিয়া দিষ্ট্রিক্টকী, নবদ্বিবতা লৈখিদ্রবা নুংশিখ্রবা বাবাগী উৎ থাদবা চৎলুবদা ইচানুপানা পেন্না গঙ্গা তুরেলদা ঈরোইখি। পাখৎলিঙৈ তাঞ্জাদা লাপথোকখিনু হায়রিঙৈদা লোংদাও অমগা হাপচিল্লকখি) গঙ্গা তুরেলগী মতাং পল্লকপদা ৱাখল অসি ইজরিবা কলম অসি হাইদোকখ্রে, ৱারৌবীরোই।

ঙসাইগী লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা গঙ্গা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা অসুম চৎপদা থেংনরুরে কোকথক্তা চাউখ্রবা থুম্মোক্তা হাপ্লগা য়োনবা লাকপা হৈনৌ য়োনবা নুপা! হৈনৌ য়োনবদুনা হায়জে - "থুম্বনি, হাউবনি, হৈনৌ খজিক্তং লৈবীয়ু। মতাং অসি য়ৌরকপদা পৈশা আনাগী ভেল্যু লাক্লগনি। মদুদি হৈনৌ চান্মদা আনা অমগী হৈনৌ চান্মা! হৈ য়োনবা নুপা অদুনা মশীং থি, অমা-অনী-অহুম-মরি...। য়াঙ্খৈ শুরকপা মতমদা লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা খান্মী - য়ারে ওক্লে। মখুরা অদুনদি মঙোন্দা চৈরন্মী - অপঙ! বুদু। মদুদা শাস্ত্রিনা খুমজে - কাকা! হৈনৌশিংদু চাবীদনা অরেম্বদা মাঙগনি। অতৈদা য়োঞ্জরুবনা ফৎত্রা?

অসুৱাই য়ৌরকপদা শাস্ত্রিজিগী ৱারী লোইজরে। তৌবতবু পৈশাগী ভেল্যুগী মতাংদা থেংনরকপা খরা তমজরি। ঐখোয়না খঙলকপা মতমদা পেট্রোল লিটরদা লুপা ৫/৭ পীরন্মী। শীং মোন্দা লুপা ৫। লোকল য়েরূম ৩/৪দা শুপ্নতগী মখায়খক্তুনি। কয়াসু হৈনদে পাম্নসু চারুদে। ষণ, ইরোই কেজিদা লুপা ৩/৫, হৌজিক্তি লুপা ৫০০ হেনখ্রে হায়নৈ। হঙ্গাম মপুলদা শিকি/মখায়। সিমেন্ট বেগ অমগী মমল লুপা ২৭ পীবা থেংনহৌই। হৌজিক্লা ষ্টার সিমেন্ট বেগ অমগী মমল লুপা ৫৭০-৫৯০। খঙদে মমলদি পংহেন্দা হেনগৎলি। পংলৈদসু লৈনরি। ঐগী য়ূম শাবা মতমদা সিমেন্ট বোরা, লৈঙোই, নুঙ চীপ কয়া চঙই হায়নীংদে।

মখা তারকপা ওইনা হায়জনীংবদা পোত্তাং চৈতাংসিগা হায়রুরগদি শোয়ররোই পৈশা নোট চবুন চবুন বোরা-বোরাদা পিক থন্না নমশিল্লগা রিক্সো তোংদুনা চৎলগা হঙ্গাম, হৱাই থরাক পোলিথিন খাওদা হাপ্লগা খোঙনা য়ূমদা হল্লকপগী মতম অদু শোয়দনা লাক্লগনি। অইবগী লাইৱানি থাজবিয়ু।

পৈশাগী মতাংদনি পঞ্জগদৌরিবসি। মণিপুরদা শেল পায়বা মী য়াম্না লৈরেগসু হায়নৈ। তৌবতবু ঐনা থিজিঞ্জরুবা মতমদা শেল পায়বা মীদি ইরৈ লৈরমদে। লুহোংবদা, শোরাৎতা তরা-কুন চৎপী খক ওইরন্মী। হোয় দিমাপুর, গুৱাহাটি, কোলকটা, দেল্লী, মুম্বাই, চেন্নাইদা ফ্লেট মচা খরদি লৈবা মপূ ওইবা থেংনজে। তৌবতবু ঐখোয় শ্বাইদগী লানখৎখিবদা দিমাপুর য়ৌরকপদদি লোইরে ঐখোয়। অদুনা ঐখোয় শ্বাইদা শেল পায়রে কায়দনা তৌশারিবসিগী খল্লুরগা খঙনোক খঙনোক নোক্লিংই ঐদি।

ইন্দিয়াগী মুখেস অম্বানি মালেমগী শেল পায়বা মশীং পল্লকপদা ১০শুবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১১৬.৯ খক পায়রগা লৈরে। তৌবতবু অম্বানিনা মণিপুরমুক পাক চাউবা লম ১০ হেন্না লৈবা ঙমগনি। অদুনা ঐখোয় শ্বায়দা শেলদি ইপায় পায়দনা পায়বা শাদুনা পালাদা/ঈশৈ/জ গোয়নচিংবদা শেল তরা চৎপীনা লৈগুম চাইথবা তোকপীরো। নয়ূমগী চফু উয়ানদি মিরাং ইথু থুরগা কলেজাদি - সিয়া ধপতি। নখোয়দগী শেল হেন্না হেন্না পায়বা মী লাখ লাখ লৈকো থিজিনবীয়ু। ●

ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৪৮

ইমালোল	মীরোল (ইংলিস)
নায় চাবা অপোম্বা	Abscuss
নায় চারগা উনশাদা পোমখৎপা	Boil
উনশা	Skin
করিগুম্বা মরম অমদগী অনাবা ফাওবা	Pain
অঙাং উন্নবা/করিগুম্বা অমা লৌথোক্লবা হোৎনবদা থাঙ থাবা/লেনবা	Caesarean Section (CS)
মমি লৌনবা (মথৌ তাবগী মতুং ইন্না) খূৎলায়শিং	X-ray, C.T. Sacn, MRI etc.
হকচাংগী মফম অমদা চাথৎপা	Ulcer
মিৎ	Eye
না/নাকোং	Ear
নাতোন	Nose
নাতোন মখুল অনী	Nostrils
চিন	Mouth
য়াশিং	Teeth
অমাংথোং (থুন)	Anus
নুপা-নুপী/লাবা অমোম (চাদা নাউদা শন্দোক্লবগী মতুং ইন্না খঙনবা	Sex (Male/Female)
থবাক	Chest
খোম (নুপা-নুপী অনীমক্কী)	Breast
সিয়োম (নুপীদা-অমোমদা)	Ovary
ৱাঙ্গোন শঙ/চাবোকশঙ/অঙাং উন্নফম	Labour Room
অঙাং খাও (নুপী-অমোমগী)	Womb
নুপা - লাবগী ঈশিং থোঙ/শিংলি তোলোয়বা	Penis
নুপী - অমোমগী ঈশিং থোঙ- চাবোক থোঙ/শবীগী মখূল	Vagina
হকতিন্নবা/নুঙথোঙ হাংবা - শিংলি তোলোয়বনা চৎলম থোঙদা চঙবা	Sexual intercourse
ওক্তবা-ওক্তবী	Prostitute
ফম- হায়বসি ৱাহন্থোক অনী লৈ। অমনা থবক তৌবগী থাক ৱাংবা নেন্বা। খুন্নাইগীদা লূপ অমগী থবক তৌবা	Post e.g. Chief Minister, Minister

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

ঙম্বগী মওং	Chief Secretary/ Director etc.
অনীশুবদা - ফম হায়বদি হিপফম। খুদম, চেপ্পবা/হিপ্পবা ফম ফজরে/থৌরাং লোইজরে। ফম কাবিরো।	Sleeping bed
ফম (হিপফম) লানবা। মশাগী নুপা-নুপী নত্তনা অতোপ্পা নুপা-নুপী হকতিন্নবা	Adultery
নম্ফু পাদোংবা/নম্ফু হকতিন্নবা/নম্ফুদা ফিনুংগী হকচাং শীজিন্নবা	Rape
হিংলাক হিংজিন্দা (মরু ওইনা নুপীগী শোকফম থোক্তবা মশাদা) পায়বা/শোকপা	Molest
থা লেপ্পা/থাগী খোঙকাপ মরম চুম্না লেপখিবা/থিংখিবা	Conceive
নাওপুবগী ফীভম/মীরোনবা	Pregnancy
নুপী/শা অমোম্না নাওপুরবা/অঙাং মচা য়াওরবা	Preganant
থাগী খোঙকাপ লাকপা/চাকখুম থোকপা-চঙনদবা মতম	Menstruation
অঙাং/মচা (শাগী) মমাগী মশা মনুংদগী মপান্দা থোরকপা/তাইবঙ ফাওবা	Birth
অকক্লবা লম/মতম অমদা শিবগী মশীং চাং	Mortality rate
অকক্লবা লম/মতম অমদা অঙাং পোকপগী মশীং চাং	Birth rate
খুদোং থিনীংঙাই ওইবগী মচাক/মরম (শম্না হায়রবদা)	Risk factor
য়াম্না নুংঙাইতবা অৱাবা চৈথেং/হকচাংদা অশোক অপন/ নুংঙাইতবা থৌদোক অমদগী ৱাখল চৈনা ওইবা	Trauma
ৱাখল লায়না	Mental illness
নিংথমচনবা/নাতোন মহি চেনবা অমদি হাকথি খনবা থোকহনবা	Cold
খোঙহান্বা	Diarrhoea
ওবা	Vomiting
লাইহৌ	Fever

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা) - (১১৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ৱাঙাং হৈবা। স্রাতন অতলববু। লাকচাথীনা লালঙমবা। ৱাইশেল লমদা লালদাবা। শায়ান পলমৈ খাদা। লালদা খৌশাবা। পোইরৈ মৈতৈ থিংপা পুনেম শাফাববু। লাকচাথীনা লালঙমবা। ইবেমমা লৈমা মপাম লম। হুয়েল লালদাঙৈদি। পাশি উয়ানখু। উয়ানহল। থংচিখু থংচিহল। নাওরিখু নাওরিহল। পাশি খুনৌবী খুনৌববু মপাম লমদমদা য়াঙনা চাহেনেনবা। কংলৈ লমদম মশুমাং মীতিনফম। তিঙঙি মাঙাশোক ফমশাং লমদা। লাললু কোকখোমনা পুরকপা। থাঙৱাই অৱাং লমগী। অঙাংবা অরিবা লী। কচেং লিঙাং অথোইবা লী। চীঙশোং চীঙদা লিহৌ লীবু লৌনা। লীরেল পাককা ফননা লোল। উই ৱানা পৌরোল ৱাফে লোন। উই শেংকম থোংনাশা। লাললু কোকলেল থেৎনা থম। অহোং লাললু তৈন। শংবা চনু নিংঙোল। মপাম অপোকপা নিংথৌ। থীংবাই খ্রংবা মিংকৌববু। নোংয়াই খাথা ফমথৌ তিননফম। খুমল লাইথা অৱাং ফমথৌ ফম। থোংলেল থোংহাংঙে থোংলেল শরিক থাংবনা খিংখিং ঈনিলবা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯱꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯋꯥꯡꯥꯡ ꯍꯩꯕ꯫ ꯁ꯭ꯔꯥꯇꯟ ꯑꯇꯂꯕꯕꯨ꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕ꯫ ꯋꯥꯏꯁꯦꯜ ꯂꯃꯗ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕ꯫ ꯁꯥꯌꯥꯟ ꯄꯂꯃꯩ ꯈꯥꯗ꯫ ꯂꯥꯜꯗ ꯈꯧꯁꯥꯕ꯫ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯃꯩꯇꯩ ꯊꯤꯡꯄ ꯄꯨꯅꯦꯝ ꯁꯥꯐꯥꯕꯕꯨ꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕ꯫ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯂꯩꯃꯥ ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯝ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯉꯩꯗꯤ꯫ ꯄꯥꯁꯤ ꯎꯌꯥꯟꯈꯨ꯫ ꯎꯌꯥꯟꯍꯜ꯫ ꯊꯡꯆꯤꯈꯨ ꯊꯡꯆꯤꯍꯜ꯫ ꯅꯥꯎꯔꯤꯈꯨ ꯅꯥꯎꯔꯤꯍꯜ꯫ ꯄꯥꯁꯤ ꯈꯨꯅꯧꯕꯤ ꯈꯨꯅꯧꯕꯕꯨ ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯃꯗꯃꯗ ꯌꯥꯡꯅ ꯆꯥꯍꯦꯅꯦꯟꯕ꯫ ꯀꯡꯂꯩ ꯂꯃꯗꯝ ꯃꯁꯨꯃꯥꯡ ꯃꯤꯇꯤꯟꯐꯝ꯫ ꯇꯤꯡꯉꯤ ꯃꯥꯉꯥꯁꯣꯛ ꯐꯃꯁꯥꯡ ꯂꯃꯗ꯫ ꯂꯥꯜꯂꯨ ꯀꯣꯛꯈꯣꯝꯅ ꯄꯨꯔꯀꯄ꯫ ꯊꯥꯡꯋꯥꯏ ꯑꯋꯥꯡ ꯂꯃꯒꯤ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯕ ꯑꯔꯤꯕ ꯂꯤ꯫ ꯀꯆꯦꯡ ꯂꯤꯉꯥꯡ ꯑꯊꯣꯏꯕ ꯂꯤ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯣꯡ ꯆꯤꯡꯗ ꯂꯤꯍꯧ ꯂꯤꯕꯨ ꯂꯧꯅ꯫ ꯂꯤꯔꯦꯜ ꯄꯥꯛꯀꯥ ꯐꯅꯅ ꯂꯣꯜ꯫ ꯎꯏ ꯋꯥꯅ ꯄꯧꯔꯣꯜ ꯋꯥꯐꯦ ꯂꯣꯟ꯫ ꯎꯏ ꯁꯦꯡꯀꯝ ꯊꯣꯡꯅꯥꯁꯥ꯫ ꯂꯥꯜꯂꯨ ꯀꯣꯛꯂꯦꯜ ꯊꯦꯠꯅ ꯊꯝ꯫ ꯑꯍꯣꯡ ꯂꯥꯜꯂꯨ ꯇꯩꯟ꯫ ꯁꯡꯕ ꯆꯅꯨ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯑꯄꯣꯛꯄ ꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯊꯤꯡꯕꯥꯏ ꯈ꯭ꯔꯡꯕ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯕꯨ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯥꯊꯥ ꯐꯝꯊꯧ ꯇꯤꯅꯅꯐꯝ꯫ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯥꯏꯊꯥ ꯑꯋꯥꯡ ꯐꯝꯊꯧ ꯐꯝ꯫ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯊꯣꯡꯍꯥꯡꯉꯦ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯁꯔꯤꯛ ꯊꯥꯡꯕꯅ ꯈꯤꯡꯈꯤꯡ ꯏꯅꯤꯜꯂꯕ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।